# এ এ পিগী এম এল এ ২১ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮(এজেন্সী):

চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এ ২১ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রে।

কুমজা ২০১৫গী মার্চ ১৩দা পার্লিয়া-মেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ওর্দর থোক্ত্রি ঙৈদা লেফটনেন্ট গভর্নরগা তানরমদে হায়না দিল্লি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট সুধির নন্দ্রজোগনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদবনি।

চীফ জষ্টিস জি রোহিনি অমসুং জষ্টিস সঙ্গীতা ধিঙ্গ্রা সেহগালগী বেঞ্চনা হায়খি, লেফটনেন্ট গভর্নর নজিব জঙ্গ তানরমদবা মরম্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী থৌওং অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই।

ওগষ্ট ৪দা পীখিবা ৱায়েল অমদা হায় কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, দিল্লি অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইবা মরম্না লেফটনেন্ট গভর্নরনা এদমিনিষ্ট্রেটিব হেদ ওইফম থোকই। মমাঙদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ২১ খনবগী ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, দিল্লি গভর্ণমেন্টনা দিল্লি মেম্বরস ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি (রিমুভেল ওফ দিসক্বালিফিকেসন) এক্ট শেমদোক্তুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ২১ খনবগী থৌওং অচুম্বা ওইনা উহন্নবা হোৎনরে। মমাঙদা হীরম অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা পীখিবা ৱারোল অমদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ৱাফম অসি অনৌবা পব্লিক ওফিস অমা শেম্বগা মরী লৈনদে। ইচম চম্না মিনিষ্টরশিংগী থবক থৌরমদা মতেং পাংহন্নবগীদমক এম এল এ খরা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খনখিবনি। মসিদা গভর্ণমেন্টকী অহেনবা চাদিং তৌগদবা লৈতে।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা লো শেমদোক্তুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ২১ খনবগী থৌওং অচুম্বা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা অয়াবা পীখিদ্রবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রবা এ এ পিগী এম এল এশিং অদুদি প্রবিন্দ কুমার, শরত কুমার, আদর্স সাষ্ট্রি, মদন লাল, শিব চরন গোৱেল, সঞ্জিব ঝা, সরিতা সিংহ, নরেশ য়াদব, জর্নেল সিংহ, রাজেশ গুপ্তা, রাজেশ ঋশি, অনিল কুমার বাজপায়, সোম দত্ত, বিজেন্দর গর্গ বিজয়, জর্নেল সিংহ, কায়লাস গেহলোত, অলকা লম্বা, মনোজ কুমার, নিতিন তিয়াগি অমসুং সুখবির সিংহনি।

মরকসিদা, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রবা এম এল এ ২১ মক দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়না কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে। কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন অজয় কুমারনা হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা চথখিবা থৌওং ওইবনা মীওই ২১মক দিসক্বালিফাই তৌগদবনি। হায় কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি খনবগী ৱাফম অয়াবা পীরকখিদ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা জি এস টি এমেন্দমেন্ট বিল অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) বিল কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অনৌবা ইনদাইরেক্ট টেক্স রেজিম চৎনহন্নবা লম্বী য়াৎখ্রে।

জি এস টি বিল অসি ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভী এ টি), এক্সাইজ দ্যুটি, সার্বিস টেক্স, সেন্ট্রেল সেলস টেক্স, এদিসনেল কষ্টমস দ্যুটি অমদি স্পেসল এদিসনেল দ্যুটি ওফ কষ্টমসনচিংবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট টেক্সশিং পুনশিল্লগা ইনদাইরেক্ট ওইনা লৌগদবা সিঙ্গল টেক্স সিষ্টেমনি।

পার্লিয়ামেন্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ৮দা পাস তৌখিবা বিল অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী অয়াবা লৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অমবু চৎনহন্নবগীদমক অপুনবা ষ্টেট মশীংগী চাদা ৫০না অয়াবা পীবা মথৌ তাই।

বি জে পিনা লৈঙাকপা অসামনচিংবা ষ্টেট ১৭না অয়াবা পীরকখ্রবা মতুংদা বিল অসি প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরিয়েটতা থাদুনা অয়াবা লৌনবা হোৎনখি। হৌজিক ফাওবদা বিল অসি অয়াবা পীরকখ্রবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা বিহার, ঝরখন্দ, ছতিসগর, হিমাচল প্রদেশ, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, দিল্লি, নাগালেন্দ, মহারাষ্ট্রা, হরিয়ানা, সিক্কিম, মিজোরাম, টেলঙ্গনা, গোৱা, ওরিসা অমদি রাজষ্টান য়াওরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা মথং চহীগী এপ্রিল ১দা বিল অসি এক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবা হৌগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা লেপখিবা মতমদগী ঙনখৎনা জি এস টি চৎনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। নুমিৎ ৩০গী মনুংদা ষ্টেটশিংনা বিল অসি অয়াবা পীরক্কদবনি অদুবু নুমিৎ ২৩গী মনুংদা অয়াবা পীরক্লে।

হৌজিক্তি প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরবনিনা অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা জি এস টি কাউন্সীল শেমদুনা টেক্সকী রেট লেপহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লূচিংগদৌরিবা কাউন্সীল অসিদা ষ্টেটশিংগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পূন্নমক য়াওগনি।

সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মরী লৈনবশিংগা তানদুনা সেন্ট্রেল জি এস টি, ষ্টেট জি এস টি অমদি ইন্তিগ্রেটেদ জি এস টি লোশিং দ্রাফট তৌখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পাস তৌহন্নবা শেম-শারি।

মোদেল জি এস টি লোদা য়ুম্ফম ওইরগা সেন্ট্রেল জি এস টি অমসুং ইন্তিগ্রেটেদ জি এস টি দ্রাফট তৌখিবনি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনসু খরা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা মশা মশাগী ওইবা ষ্টেট জি এস টি বিল শেমখি।

মমাঙদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খিবনি মদুদি, লৈবাক অসিদা জি এস টি মপুং ফানা চৎনহল্লবা মতুংদা টেক্সকী রেট হন্থহনবা ঙল্লগনি।

মথং চহীগী এপ্রিল ১দগী জি এস টি চৎনহনবগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মতম চানা জি এস টি চৎনহনবা হায়বসিনা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমনি।

# 'ইন্দিয়ন এজেন্সীশিংনা অশাবা পাসপোর্ট পীরকখি'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

অন্দরৱর্ল্ড গেংষ্টর সোতা রাজননা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াগী এজেন্সীশিংনা মঙোন্দা মোহন কুমার হায়বা মীওই অমগী মমিংদা অশাবা পাসপোর্ট পীরকখি।

স্পেসল কোর্ট অমদা ৱা ঙাঙখিবদা রাজননা হায়খি মদুদি, দাৰুদ ইব্রাহিমনা মী থারক্তুনা বেঙ্কোকতা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখি। অশাবা পাসপোর্ট পায়রম্বগী কেসকা মরী লৈননা রাজননা স্পেসল জজ বিনোদ কুমারগী কোর্টতা হায়খি, কুমজা ১৯৯৩দা মুম্বাইদা বোম পোকখায়হনখিবা মীওইশিং য়াওনা টেররিষ্টশিংগা মায়োক্লবদা মতেং পাংলুবগীদমক দাৰুদনা বেঙ্কোক্তা মী থারক্তুনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখিবনি।

ইন্দিয়ন এজেন্সীশিংদা লোন্না পাউ পীথোক-পীশিন তৌই হায়বা খঙলকপদগী দাৰুদনা থারকপা মীওইশিং অদুনা ওরিজিনেল পাসপোর্ট মুল্লগা পুখি হায়নসু রাজননা ফোঙদোকখি।

মতৌ করম্না দাৰুদকী মখুত্তগী নান্থোরকখিবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অহানবদা দাৰুদনা মহাকপু দুবাইদা মী থারক্তুনা হাৎনবা হোৎনখি। থৌরাং অদু মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা মালেসিয়াদা অমুক হন্না মীওই খরা থারক্লগা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখি। অনীশুবা থৌরাং অদুসু মায় পাকপা ঙমখিদে। অকোনবদা দাৰুদনা কুমজা ২০০০দা মীওই খরা বেঙ্কোক্তা থারক্তুনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

করি মরমগী অশাবা পাসপোর্ট পায়খিবগে হায়বগী মতাংদা রাজননা হায়খি, মফম খূদিংমক্তা দাৰুদনা কোয়তান তান্নরগা হাৎনবা হোৎরকপদগী তঙাইফদনা শক লোৎতুনা মোহন কুমার হায়বা মীওই অমগী মিংদা অশাবা পাসপোর্ট পায়খিবনি।

মুম্বাইদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লমন খুম্লিংবগী ৱাখল পোল্লক্তুনা ইন্দিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংদা মতেং পাংবা হৌখি হায়না পল্লদুনা রাজননা হায়খি, কুমজা ১৯৯৩দগী হৌনা ইন্দিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংদা টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনবা ঈ-পাউ কয়া পীদুনা লাকখি।

লৈবাক্কী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপদা শক লোৎপগী মথৌ তাবা মরম্না অশাবা পাসপোর্ট পায়খিবনি। শাশিন্নবা পাসপোর্ট পায়রগা লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# নবজোত সিংহ সিধুগী অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি শেমখ্রে



চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

ক্রিকেটর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদাখিবা নবজোত সিংহ সিধুনা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না অৱাজ-ঈ-পঞ্জাব কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরম্বা মীওই অসিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২দা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেমদুনা লাক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কন্সটিট্যুয়েন্সী ১১৭ মক্তা মীরেপশিং থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, হন্দক্কী মতাং অসিদা পঞ্জাবকী মীয়াম্না শোয়দনা মায় পাক্লগনি। পঞ্জাবপু মাঙ-তাকহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিং মরু ফংনা মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা মীওই অসিনা ফোঙদোকখি।

আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)গী মতাংদা মহাক্না হায়খি, এ এ পিগী লূচিংবশিং, মরুওইনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মশাগী ৱা ঙাকপা ঙমদবা মরম্না পার্টি অসিদগী লাপথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। এ এ পিগী লূচিংবশিংনা মশাগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক ওইদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়নসু সিধুনা মরাল শীখি।

কেজ্রিৱালবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মশানা খ্বাইদগী পূকচেল শেংবা মীশকনি হায়না লৌজরিবা কেজ্রিৱালনা দেমোক্রেসিগী মিংদা অরানবা থৌওং কয়া চথুরি। কেজ্রিৱালনা হায়বদা অয়েৎপা পীরক্লোইদবা মীওইখক্তবু এ এ পিদা য়াওহন্নবা হোৎনরি।

নৌনা শেল্লবা পার্টি অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি অৱাজ-ঈ-পঞ্জাবপু পোলিটিকেল পার্টি অমনি হায়না লৌবা য়াদ্রি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা মরুওইবা থৌরাং খরা লৌখৎলবা মতুংদা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা লাউথোক্লবা ফিরেপ লৌরি।

সিধুনা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎপগী মতাংদা ইন্দিয়ন হোকি টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা পরগত সিংহ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অনীনা করেম-কথাইনবগী মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লূচিংবা এ এ পিনা হায়খ্রে মদুদি, সিধুনা পঞ্জাবতা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেল্লবসু এ এ পিদা থোইদোক্লা অকায়বা পীবা ঙল্লোই। লাক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী মীখলদা এ এ পিনা মায় পাক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেল্লগনি হায়না পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর দুর্গেশ পাথকনা ফোঙদোকখি।

J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL-EAST

ADVERTISEMENT

Imphal, the 7th September, 2016

**No.1/17/Advt/JNIMS/10/10697:** On behalf of the President, J.N. Institute of Medical Sciences (JNIMS) Society, Porompat, Imphal, the undersigned invites applications form Indian citizens for appointment to the following posts in the Institute so as to reach him **on or before the 16th September, 2016**, in sealed Envelope super-scribed with the name of the post. The application giving full bio-data and contact telephone numbers should be accompanied with attested copies of certificate of qualification, teaching and research experience, age, category etc.

| Sl. No. | Name of post | Department | No. of posts | Mode of appointment |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Professor | Surgery | 3 | 1(ST) ; 1(UR) on temporary basis and 1 (UR) on leave substitute basis |
| 2. | Tutor | Anatomy | 1 | 1(UR) on leave substitute basis |
| 3. | Tutor | Community Medicine | 1 | 1(UR) on leave substitute basis |
| 4. | Lady Medical Officer | Community Medicine | 1 | 1(UR) on leave substitute basis |

Total - 6

Qualifications:-

1. Asstt. Professors in Surgery:-
   (i). Registered Medical Graduate with P.G. Degree in the subject
   (ii). 3 years teaching experience in the concerned subject in a recognized Medical College.
2. Tutors in Anatomy/ Community Medicine: -
   (i) . MBBS with P.G Degree in the subject failing which MBBS with 3 yrs experience in the profession.
3. Lady Medical Officer :-
   Essential - (i) Registered Medical Graduate from a recognised Medical College/Institution
   Desirable - 3(three) years experience in the profession

Age as on 1st September 2016 :

1. **Asstt. Professor**: 45 years and below ( Upper age limit relaxable for candidates of Recognised Medical College/ State Govt. Service upto a period of 5 years & by 5 years for SC/ST & 3 years for OBC candidates in addition to the above relaxation)

2. **Tutors/ Lady Medical Officer**: 35 years and below ( Upper age limit relaxable for candidates of Recognised Medical College/ State Govt. Service upto a period of 5 years & by 5 years for SC/ST & 3 years for OBC candidates in addition to the above relaxation)

Pay (Pay band + Grade Pay):

1. **Asstt. Professor:** Rs 15,600 -39,100 + 7,000
2. **Tutor/ Lady Medical Officer:** Rs 15,600 -39,100 + 5,400

Employees of Govt. or Govt. sponsored Institution should apply through proper channel. However, advance copy may be submitted. No-objection Certificate (NOC) to be produced at the time of selection. Appointment may be made on temporary / contract basis. Number of posts may be increased or decreased as per need.

Sd/- Prof. L. Deben Singh
Director, JNIMS

HL-B/3311/9

# এদভান্স ৱেদর সেটলাইট মায় পাক্না থাগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না ঙসি অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীহরিকোতাদা লৈবা স্পেস পোর্টতগী এদভান্স ৱেদর সেটলাইট *ইনসাট-৩ দি আর* মায় পাক্না থাগৎখ্রে।

শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধৱন স্পেস সেন্টরগী অনীশুবা লোঞ্চ পেদতগী কিলোগ্রাম ২,২১১ লুম্বা সেটলাইট অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৫০দা জি এস এল ভী রোকেটতা হাপ্লগা থাগৎখিবনি।

অহানবদা নুংথিলগী পুং ৪.১০দা সেটলাইট অদু থাগৎকনি হায়না থৌরাং তৌখি। অদুবু ক্রাইওজেনিক ষ্টেজদা থাউ হানবদা মতম চঙখিবা মরম্না মিনিট ৪০ থেঙথনা সেটলাইট অদু থাগৎখি। জি এস এল ভী রোকেটনা পুখৎখিবা এদভান্স ৱেদর সেটলাইট অদু জিওষ্টেসনরি ট্রান্সফর ওর্বিটতা মায় পাক্না থমখি। মদুগী মতুংদা সেটলাইট অদুনা ফাইনেল জিওসিংক্রোনস ওর্বিটতা মথন্তা অমুক য়ৌজখিগনি হায়রি।

ঙসি থাগৎখিবা ইনসাট-৩ দি আর সেটলাইটনা মেটিওরোলোজিগা মরী লৈনবা দেটাশিং পীরক্কদবা মরম্না নোং-চীংগী ফীভম মাঙজৌননা খঙদোক্লবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি। মতুং তারকপদা কোষ্ট গার্দ, এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, সিপ্পিং অমদি দিফেন্সনা সার্ছ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসন চথবদা সেটলাইট অসিগী মতেং লৌবা য়ারগনি। কুমজা ২০১৩গী জুলাই ২৬তসু ফ্রেঞ্চ গুয়ানাদগী এদভান্স ৱেদর সেটলাইট ইনসাট-৩ দি থাগৎপা লৈখ্রবনি।

ইনসাট-৩ দি আরনা জিওষ্টেসনরি ট্রান্সফর ওর্বিট য়ৌরবা মতুংদা মশাগী প্রোপলসন সিষ্টেম শীজিন্নদুনা ফাইনেল জিওসিংক্রোনস ওর্বিটতা য়ৌখ্রগা ইষ্ট লোঙ্গিচ্যুদকী দিগ্রী ৭৪দা লৈরুগনি।

হন্দক্কী অসিনা ইন্দিয়াগী জি এস এল ভীগী ১০শুবা খোঙচৎনি। ঙসি থাগৎখিবা এদভান্স ৱেদর সেটলাইট অসিনা ওর্বিটতা চহী ১০ লৈদুনা নোং-চীংগা মরী লৈনবা দেটা কয়া পীরক্লগনি হায়রি।

CAS Medical & Engineering
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION IS GOING ON
REGULAR MEDICAL COURSE
for NEET -2017
Second batch
RESCHEDULED ON 12TH SEPT. 2016
Special fecialities:-
Free Studentship for Medical Aspirants from
- Toppers in COHSEM & BOSEM Exams.
- NEET Schoring marks above -
435 (General) ; 434 (OBC) ; 424 (OBCMP); 350 (S.C.) ; 350 (S.T.) ; 300 (PH)
For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/3236/ 2-17Sept
Hostel for BOYS & GIRLS available

# 'মীয়ামগী লন লান্না শীজিন্নরে'

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮(এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরি সেপরেটিষ্ট-শিংদা শেল পীথবগী মতাংদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখ্রে।

এদভোকেট এম এল শর্ম্মনা পিটিসন অদু ফাইল তৌরদুনা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা সেপরেটিষ্টশিংদা পীথখিবা শেনফম অদু শীজিন্নরগা লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্লে। লুপা ক্রোর ১০০ হেন্না সেপরেটিষ্টশিংদা পীথখিবগী থৌওং মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লূচিংবা ওল পার্টি দেলিগেসন্না কাশ্মীরগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়বদা সেপরেটিষ্টশিংনা অয়াবা পীরকখিদ্রবা মতুংদা পি আই এল অসি ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৰক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3291/3/09-2/10